# “সনা কৈথেল লান য়াওরে-!”

**– এল ইবোমচা –**



চেকশিল্লগা চেক্কী য়ূম শাই, ফাদোক্লগা ফারা শাই হায়না ঐখোয়গী থায়নগী ইপা-ইপু, অহল-লমনশিংনা হায়রম্বা অদু য়াম্না চুম্বজাৎনি। হায়বদি তাইবঙ মীওইবা হায়বসি চেকশিলহৌদবা মীকুপ্তা করিমত্তা ৱাত্ত-পাদনা নুংঙাইনা লৈজরম্বা মীওই কয়া মরোন মরাং তাকখিবা য়াওই অমসুং মমল য়াম্লবা মপূন্সি ফাওবা মাঙখিবা য়াওই। মরম অদুনা হিংবদা মরু ওইরিবা চীঞ্জাক অসি পংচা-চা, পংথক-থক অরেম্বা পোৎ মখৈবু হেক্তা হুন্দোকপা, মাঙহনবা খক তৌরোইদবনি। চাবা ঙমগদবতা থোং থাক্কদবনি, অরেম্বা পোৎ অদুনা লীদুনা থম্বা য়াই হায়বসিনি। হায়বদি চান-থক্লবা পোৎ লীদুনা থম্বা হৈবা হায়বসি চেকশিনবগী মনুংদা চল্লি। করিগুম্বা খুদোং চাদবা অমদগী এঞ্জাং নাপী মরাং কায়না ফংনদ্রবা তঙাইফদ্রবা মতম অদুদা ঙসাইগী লীদুনা থমখিবা পোৎ অদু পুথোক্লগা শীজিন্নবা য়াই হায়বনি।

চেকশিনবা হায়রগা লুখ্রাবী শামু লোয়বীগী ৱারী অসি চেকশিনবগী ৱারীনি হায়বা য়াই। হায়বদি লুখ্রাবী অসি মচা মৱা লৈতবগী মতিক অদুক্কী মতিক য়াম্না চেকশিল্লি। চেকপু চেকশিল্লবদি লুখ্রাবী ফাওবা লায়রবী ঙাক্তা নত্তে। অৱাৎপা অমত্তা লৈত্রবদি লুখ্রাবী ওইরবসু লৌশিং লৈবী, পুকচেল চাউবী ওইরকই। মখোয়গুম্বী লুখ্রাবী নুপী অসিদি মহাক্কী লৈরিবা মরল-মথুমশিং অদু শীজিন্নফম লৈত্রবসু অরেম্বদা খক হুন্দোক্তুনা মাঙহন্দে। মতম অমদা কান্নরক্কনি খন্দুনা তুংশিন্দুনা থম্মী, কনাদসু খঙহন্দে, কনাদসু হায়দোক্তে। মী অয়াম্বনদি মাবু লুখ্রাবীনি, তোল্লবীনি খন্নে।

অদুবু মাদি লৈবাক্কী লওইবা অৱা-অনা অমা থোক্লকপা, ঈশিং চাউবা, চাক তাঙবা থোক্লকপা মতমদা মঙোন্দা লৈজবা চেঙ-চাক অমদি ঙসাই মানা লীশিন্দুনা থমহৌবা পাঙ্গং, শৌগ্রী মনা, মাইরেল, তোৰ্ব্বোৎ, হৱাইজার, হঙ্গাম মনা, হৱাই মপুম, চাক হৱাই, পান অমদি হৈ-দা হায়রগনা হৈতুপ, হৈবী, মঙ্গে অমসুং হেনৌ অচারনচিংবা পুথোরক্তুনা মীয়ামদা য়েন্থোরক্তুনা পীজৈ। মরম অসিনা মঙোন্দা কনাগুম্বা অমনা অৱাৎপা অমত্তং হংলুবদা লৈতে হায়বা পোৎ অমত্তা লৈতে, কদাইদগীনো অমা পুথোরক্তুনা ঙমজবা দান হেক্তা তৌরকই।

মরম অদুনা মীওইবনা হিংলিঙৈগী পূন্সিদা চেকশিনবা হায়বসি খুদিংমক্তা কান্নবা ফংই। চেকশিনবা ৱাত্ত-পাদবা ইমুং, মীনা ব্যবহার তৌবিবা ইমুং ওই। চেকশিনবা ইমুংদা লৈবা য়োৎপাক, থাঙজৌ, শীংজং শীজিন্নবা য়াবা থাক্তা শোয়দনা লৈরমগনি। শেৎন-ইন্নবা ফিরোল ফাওবা মশাগী কুইরকপদগী মল্লকপা অদুনা তোঙানবা অমনি। শেগাইবা, কুদাম নান্থোকপা, অমত্তা উবা ফংলোই। অদুগা চেকশিনবনা কয়ামুক য়াম্না কান্নবগে হায়রবদা চেকশিনবা ইমুংদগী পোৎ অমত্তং ৱাইরুবদা ৱাইরুরিবা মী অদুনসু য়াম্না চেকশিন্না শীজিন্নগনি অমদি থিল্লক্কে হায়বা মতমদুদা চপ চানা থিল্লক্কনি। করিগুম্বা শীজিন্নবদা তেকপা, কায়বা, তৎপা অমদি নান্থোকপা য়াওরবসু নীংথিনা শেমজিন শাজিল্লগা পীরক্কনি। করিগুম্বা শেমজিন-শাজিনবদা য়ারোইদবা পোৎ ওইরবদি হান্নগীদুগা চপ মান্নবা অমনা মহুৎ শিল্লগা শিংলক্কনি। মদু মাগী চেকশিঞ্জবা মতৌদু মপান থোক্লকপনি হায়বা য়াই। চেকশিলহৌদবা মীকুপ কয়া কয়ানা ইরমদম অসিগী মমল য়াম্লবা মীওই কয়াগী মপূন্সি অমদি লন থুম কয়ামুক মাঙহন-তাকহনখ্রে। শম্না হায়রবদা ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টনা নীংথিনা চেকশিন্না মৈ শেম্বীরমদবদগী ষণ, হূই, হৌদোংদগী হেন্দোক্তুনা মমল য়াম্লবা মীওই কয়া অমা মৈনা চিংদুনা পূন্সি লোমখিবা য়াওনখ্রে।

চেকশিলহৌদবদগী মহৌশা নিত্যাইপাৎ চুথেক ময়াদা লৈরম্বা লৌশিংগী পূক্কে মণিপুর সেন্ট্রেল লাইব্রেরি মৈনা তুম্নবা চাকহনখ্রে। মতমদু মণিপুরদা লোল অমসুং ময়েক্কী ঈহৌ কন্না লৈরকপা মতম ওইবনা মণিপুর সেন্ট্রেল লাইব্রেরিদা শোয়দনা তাইনরক্কনি হায়বা খঙনা খঙনা করিসু তৌরোইদা হায়না মতম অদুগী মণিপুর লৈঙাক্লা চেকশিলহৌদবদগী লৌশিংগী পূক্কে মৈনা তুম্না চাকখি। ইম্ফাল ময়োল মক্তদা লৈরিবা লৌশিংগী পূক্কেদু মতম অদুগী লৈঙাক্লা খজিক্তং চেকশিন থৌরাং লৌখৎলম্বা থোক্লবদি মৈ অদু শুকচাক চাক্লস্লোই। হৌখ্রবা লাই ওইখ্রবা ইপা ইপুশিংনা মখূৎনা ইশিন্দুনা থম্বীরম্বা মমল য়ামখ্রবা লাইরিক (পুয়া) কয়া মৈ থাদোকখিবদগী মণিপুর মীয়াম নীংদোল পোম্নদুনা লৈরিঙৈ মনুংদা পুয়াগী মশক ওইরবা সেন্ট্রেল লাইব্রেরিগী লাইরিকশিংদু অনীশুবা পুয়া মৈ থাবগুম্না থাদোকখিবা অদু হৌজিক্কী মীরোলনা নীংশিংদুনা লৈনরি।

হৌখিবা চহীগী মে ৩,২০২৩, য়ূমশকৈশা নুমিৎতগী মণিপুরদা থোক্লিবা লান অসিসু মণিপুর লৈঙাক্লা চেকশিনবা ৱাৎপা অমদি লৈঙাকপা হৈতবা মরমদগী থোকখিবনি হায়বসি ককপা য়াদ্রবা ৱাফম্নি। অসুম্না মণিপুরদা মমাঙঙৈদগী লৈরকখিবা মতম মতমগী লৈঙাকশিং অসি চেকশিনবা য়াম্না ৱাৎপা অমদি মওং-মরীল তাদবা লৈঙাক ঙাক্তা ওইদুনা অদুমক লাকই তাকচৈ। ঐখোয়গী লৈবাক ঙাকপশিং অসি হাপু-হন্নাইগুম্বা মতিক চাদবা মীশক ঙাক্তনি হায়বদু তাকচৈ।

চুড়াচান্দপুরদা ইপিসেন্টর ওইরগা কুকিশিংনা হৌরকখিবা লান অসিগী অহৌবা নুমিৎতুদা মণিপুর লৈঙাক্লা চেকশিনবা ওইনা নোংমৈ রাউন্দ ১০/১৫ খক দং-দং ব্লেঙ্ক ফায়র তৌরম্বদা ঙসিগী অসুক তমথীরবা লান অসি শুকথোক থোক্লস্লোই অমদি কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈশিংদা অতম্ননা চথরক্লিবা করিসু লৈতবা লানসিদা কলহৌবা য়াবা মীতৈশিংগী লন-থুম কনবা ঙমহৌদবা হায়বসি চেকশিনবা ৱাৎপদগীনি হায়বা য়াই। নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমা নৎত্রগা নোংমদি অসুম্না লান তৌরক্কনি হায়বসি মখোয়গী ওইনদি কুমজা ২০০৫ অদুৱাইদা মখোয়গী ওইজবা অয়েকপা মেপ উৎলকখিবা লৈখ্রবনি। মরম অদুনা মখোয়গী মেপকী ময়া নকশিন্না খুন্দারিবা মীতৈগী খুল, লৈকায়শিং কুকি টেররিষ্টশিংনা মৈ থাদুনা তানবা হৌরকপদা মণিপুর লৈঙাক্লা মতম চানা কনবা ঙমহৌদবা অদু চেকশিনবা ৱাৎপদগীনি হায়বা য়াই। অদুগা হৌজিক্লা অমুক মীতৈশিংগী লৌফমশিং মখোয় মখোয়গী মপা-মপুশিংনা থনম্বা লৌফমগুম্না লৌ উশিল্লিবা অসিনা খঙহল্লিবদি কুকিশিংনা মীতৈশিং অমদি মণিপুর লৈঙাক অসি খোঙয়াগী উফুলগুম্না খল্লি খঙহল্লকপনি।

মতাং অসিৱাইদা মণিপুরগী মীচম মীয়াম্না সেন্টর লৈঙাক্তা খঙহন্নীংবদি মণিপুরদা লাউরিবা খোল্লাও অসি অনীনি। মীতৈশিংনা লাউবনা মণিপুর মচেৎ তাহনবা য়ারোই, মণিপুরগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা অমা অদুগা কুকিশিংনা লাউরিবনা মণিপুরবু মচেৎ তাহল্লগা কুকিলেন্দ লৈবাক অমা শেমগে হায়বসিনি। অদুনদি খোল্লাও অনীসিগী মনুংদা করম্বনা অচুম্বনো হায়বা ফিরেপ অমা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অথুবদা লৌবিরো, মীতৈশিংদি লান তৌনবা পামদে, লান থুনা লোইশিন্নবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা শিনবীয়ু হায়বসিনি। মরমদি লান অসিনা মরম ওইরগা শান্ন-খোৎনবদা, জগোয়-ঈশৈদা অমদি লাইরিক-লাইশুগী হীরমশিংদা মালেমগী থাক্তা লম্বা তৌনবা য়াওগদবগী ঙাইদুনা লৈনবা মীতৈ নহাশিংনা লান অসিনা মরম ওইরদুনা শরুক য়াবা ঙম্লরোইদ্রা হায়দুনা মীপাই থবাইবা পোক্লরে অমদি ইমা লৈবাক মণিপুর চাওখৎ লম্বী মনীং হল্লগনি হায়বসিদা পাখৎপনা লোইনরে।

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা তৌবু তৌগে হায়রবদি লান অসি করিসু লৈবা লান নত্তে, ৱাহৈ পরেং অমনা ইরায় লায়না লোইশিনবা য়াবা লাননি। মদুদি ‘সূগী গ্রাউন্দ রুলশিং থুগাইরগা মণিপুরদগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটরি তাল্লিবা কুকি টেররিষ্টশিং নখোয়না তাল্লিবা দিমান্দ অদুদি মণিপুর লৈঙাক অমদি মীতৈশিংনা পীবা ঙম্বা দিমান্দ নত্তে। অদুক য়াম্না চাউবা দিমান্দ অমা তানগে খল্লবদি ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তানগদবনি, নখোয় খঙদব্রা?” হায়না হংজিনবদা মখোয় পূম্নমক মখুন-মখুন্দা চঙখিদুনা নহান্না লান অসি লোইরম্লগনি। ঙসিদি গ্রেটর নাগালিম তাল্লিবা নাগাশিং অমদি কুকি হোমলেন্দ তাল্লিবা কুকিশিং লম কনশিন্নবগী অচৌবা মুক্লবা অমা থোক্লক্লে। মরু ওইনা কুকিশিংনা অনৌবা খুল কয়া লিংখৎলক্তুনা নাগাগী অপীক অপীকপা খুল কয়া য়োৎশিনবগী থবক লেপ্তুনা চথরি। কুকিশিংগী ওইনা মনিংদা অচৌবা ফোর্স অমনা ঙাকপনিনা মখোয়গী লমগী ঙমখৈ নোংম-নোংমগী পাকথোক চাউথোরক্লি। মণিপুরগী বোর্দর টাউন, মোরে অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী লিতান, শৈদাংবা কুকিশিংনা হৈ-শিংনা লৌশিনখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক শিন-থুংনা ঈরাং থোক্লে, “সনা কৈথেল লান য়াওরে-!” মণিপুর মৈ চাক্লে। ●

# ঈরৈদুগী কাওশিং - ৯

**– বীমোলচান্দ লাইশ্রম –**

কৈথেলদা ইমাগী পোৎফমদা চঙলুবদা রাজেসকী ইমাদুনা লৈরম্লিবা ফিজোলদুদা রাজেস চঙক্লরিঙৈ অনুপমানা;

- “ৱা-উ! ইমাসি ঙসিদি খূৎফজা অমা! কেবকা য়াম হৈকো ইমা!”

“হায়মা! নখোয় অনীদি কমদৌনা, করি লৈরে! কোনুংদা চেঙ থারুবনি, গোবিন্দসু খুরুমথোরক্লবা…”

“অদো ইমা, মথং চৎপদদি ঐবুসু পুবীয়ুকো, ঐ কোনুংদা অমুক্তা চৎত্রি, গোবিন্দসু উজদ্রি”

“পুদদি কো! কৈদৌঙৈ চৎসিগে?”

“আ! ইমা, চৎপদো হোরেন য়ূমদা খন্নরুরসি, দা রাজেস ঙা লৈথোকপীরুরো ঐ ইমাগা ৱারী শানরমগে”

হায়না-হায়না বেগতগী চান্মঙা চৎপী অমা শৎলগা, “ইমানা চাগনবা ঙা অহাউবা অমা লৈবীরকও, অদুগা…

“অস-ঐ হৈরোইদা! ইমানা পোকপদগী…

মমানা মোমোন নোক্লদুনা, “হৈ-হৈ, শেলনা পোৎ লৈবা হৈত্রদি হয়েং’খৈ মপান থোক্লনু, চৎলো, ইমৌনা (ইহে)…

থংননা পোৎফম ফম্মীন্নবী ইনে মাধবীনা ঙক্লা, তপ্লা-

“করিনোনে ইবেম্মা থাদোই, নঙবু নমৌ লৈরব্রনে?” লুহোংবগী চেবাউসু ফংখিদে, লুহোংলনি হায়’সু তাখিদেদা…”

“হো ইচে শোয়খিবনে, কদাইদগী ইচা নহা য়াম’ ওইরি”

“(নোক্লগা) - মগুণ লৈখ্রবী মমৌ উবদা পুমঙাও ঙাওখ্রমাল্লেনে সে…”

থেংথখ্রদি য়ূমদা ৱা থোক্লা তারে খন্দুনা অনুপমানা নুংশিনা মমাবু কোল্লগা, “ইমা ঙসিসে, নত্তে, হৌজিকমক পপাগা-মমাগনা দা রাজেসনে, ইমানে চাক কৌনি হায়দুনা ইমা লৌবা লাক্লিনি, পোৎ লোইশিল্লো চৎলসি।”

“ওন্থোক্লা নাতৈ চাখিদ্রেদা ইবেম্মা, হৌজিকমকপু…”

অনুপমানা থেমদনা-নৌদনা নমদুনা পোৎ লোইশিনখ্রে। রাজেসসু মীতৈ শরেং য়াইমরপ চাউবা অমা পুদুনা লাক্লে। ঙাদু উবদা মমানা- “হুম! হুদা হুরদি লৈমা হু হায়দুমক হেক থোকইদা! মমাগী মচা হায়দুমক্লি, কয়া পীরকই?”

অনুপমানা শমজিল্লকই- “ইমা ঙাসি থল্লমগে, ইরোনবগী ময়াল কাউরুরে” রাজেস পুরগা অমুক কৈথেলদা চঙখ্রে।

ওন্থোকপা চাক খুক্কৌ হায়দুনি। রাজেসকী মমাগা অনুপমাগী মমাগা চাকখুম চঙখ্রে। রাজেসকা অনুপমাগী মপাগনা মীতৈ শরেংদু কন্না শেল্লি। অনুপমানা চাকখুমদা অমুক চঙ, ঙা শেমফমদা অমুক থোরক, অৱাৎ-অপা মেনবা লাক্লরি। উচিন নাচিন্না ঙা শেম্বা লোইরে। মখূৎ মশা হামদোক্তুনা ইমুং চঙলকপদা ঙায়রি টেলিফোন তৌরকপগী রিং মখোল তাই। অনুপমাগী মপা ফোন পায়বা চঙখ্রে। অনুপমানা রাজেসতা টাৱেল অমা পীনা-পীনা তূমিন্না-

“ৱা খুম্বদা হৈনা-হৈনা খুম্মুকো, চোপচনি!” রাজেস ৱা ঙাঙফম খঙদে, অনুপমাদা য়েংলগা, “নঙতনা মরুনি, নঙ হৈমন শিংমল্লি, নম্মৈ চপচনি”

অনুপমাগী মপা তহা-তহা থোরকই, মচানুপীদা- “ইবেম্মা নমা কৌথোরকউ, ঐ হৌজিকমক গভর্ণর বঙ্গলোদা য়ৌরুদবা য়াদ্রে, কুইরক্লোই। হয়েংমক ওফিশল নোটিস অমা থোক্কনি হায়। ফাইলদু পীরম্লগা ফৎ হল্লক্কনি।”

মপা চৎখ্রতুংদদি মখোয় অনীতা ঙাইহৌরে। চাকখুমদা মমা অনীদুসু পক্লোক্তা নোকমিন্নে। হান্নবা য়াম্না খঙনরকপদু মঙাই। অমনা ঙাঙখ্রদি লেপ্পা হৈতবী কোলেজগী প্রোফেসরনি। অমনা মী খোনবা হৈখ্রবী কৈথেল নুপীনি। অমনাঅচাউরম কাবা হৈজদবী লাইরিক হৈবী নুপীনি। অমনা লৈজদ্র’সু মীনা লাকচবা য়াদবী মমা ওইবীনি। অনীমক মচাগীদমক হিংলিবী মমা ওইবী ঙাক্তনি।

ফোং-ফোং শাবা চা কপ অনী টেবলদা থম্লগা টেবল ৱাংমা ৱাংমদা অনুপমা-রাজেস ফম্না-ফম্না ৱারী চিকথনরি-“দা রাজেস, ঐনা লমকেৎপী ওইবসিদা, ৱাই য়াম্না চিল্লব্রা?”

“হুম! লমকেৎপী হায়নু-ৱারক চেৎপীনি হায়সি। ঐসে কয়াদা লাইবক ফখ্রবা?”

“কৈনো? ঐনা নঙবু ৱারকপা ঙম্ব্রা, নুংশিরুবগী অদুক…!”

“চপ মান্নে, নুংশিবনা পূম্নমক পুনশিন্দুনা থমখ্রে। খঙদে ঐসে নঙগী নুংশিবগী করি ওইরি। নঙনা ঐবু নুংশিবগী করি শক্লোন লৌরি। নঙনা নুংশিনা ঐঙোন্দা শীন্নরকপা শীন্থা খুদিংমক পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনগে হায়বসিমদি ঐগী অচেৎপা ৱাশক্লি। ঐ নহাগী পূন্সি লান্থোক্লগা মপূং ফারবা নুপা অমা ওইরে হায়বসি নঙনা নীংথিনা খঙবীবা য়ারে”

“ঐসুনি, ইমাগা পপাগনা ঐবু অৱাবা মশক খঙহন্দনা চাউনবা য়োক্লকখি, ইহৈ তমহল্লকখি। হেন্না ঙকপা অমনা - ইনখৎলকপগী অপাম-নুংশি ইহৌরকপদা অমুক্তা তাখিদ্রিবা পূন্সি মরেল অমা ইশামক্লা শেমজগদবনি হায়না অকনবা য়াথং তাউথরকখি। ঐনসু শোয়দনা মায় পাকহনগনি ৱাশকখি। হৌজিক ফাওবদি অশোয়বা য়াওদনা ৱাশক ঙাক্লি। পূম্নমক দা রাজেসকী মতেংতনা মায় পাক্কদবনি, সিমত্তংদি খঙবীয়ুকো!”

“ঐ খুদিংমক খঙলে অনুপমা, নঙগীদমক ঐ পূম্নমক কত্থোকপসু ঙম্লনি, নহাক ঐগী ওইদ্রমকসু ঐদি মতম পূম্বদা নঙগী ওইদুনা লৈবসু ঙমগনি।

“করিনো দা রাজেস! ৱাখলদু হেঞ্জিন্না খনমন্দ্রো?…ঐ কনাগীসু ওইরোই- নহাক্তগীনিনে”

“মদুমক ওইসনু। ঐগী ইতোম্মতগী ওইবা ৱাশক অমসু লৈজরি। ৱাশক্তু শোয়দনা ঙাক্কনি। ঙমদবা থোক্লবা ঐ পূন্সিগী…”

অনুপমানা খম থেংনা লাঙতক্লরিঙৈ, গেটলোমদা গাড়ী থৌজিল্লকপগী মখোল তাবদা অনুপমা ফুক হৌগৎলগা চাকশঙলোমদা তূমিন চঙখ্রে। রাজেসসু চা কপ্তু পায়রগা মপানলোমদা থোরকই। পোৎ চৈ ময়োম খরসু পায়রকই। রাজেস উবদা মোমোন নোক্লগা, “চাক লোইদ্রিবরা! ওন্থোকপনি। লৈবাকসে লৈবাক ওইদ্রে। লৈবাক্কী ওইবা শেল থুমগী ফীভম ফেল ওইরে। নুংঙাইদৌরি! চহী মঙা তরাদি ষ্টেট লৈঙাক্লা থবক অমত্তা লৌখিরোই হায়বা নোটিফিকেশন থোরক্লগনি। মমাঙগী লৈঙাক, পাল্লিবা লৈঙাক্লা খম থেংনা শেল থুমগী ফীভম শোকচিনহনখ্রে হায়বসি সেন্টরনা খঙখ্রে। নুঙাইদৌরি।”

তশেংবমকসুনি, শঙ্গ চাউবা মপা অমা ওইনা, মচানুপী অমদি মচানুপীগী লাইফ পার্টনর ওইগদৌরিবা অনুপমা অমসুং রাজেসকী নুংঙাইবা পূন্সি মরেল ওইহৌনবা লৈঙাক্কী থবক অমমম মফম খঙনা হাপচিনবীগে খল্লম্বা- আশা কায়রবা অনু’গী মপা পোৎলূম্না নম্বো পোরগা তপ্লা-তপ্লা ইমুং চঙখ্রে। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## ‘ইমা লৈবাকপু কলহৌসি’

***ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,***

চহী তরেৎ খুন্তাকপগুম ঙসিদি লমদম অসিগী য়েলহৌমী কয়া মশাগী মরমদা মীচেন ওইদুনা লৈফম লৈতনা ৱানা খাঙলকপা চহী অহুম হেনখ্রে। য়েলহৌমীশিংগী তুংগী আশা/ৱাখল উরক্ত্রে। মীয়ামগী অপাম্বা ঈহৌ পূম্নমক নাথৈবগুম অমদি লোইলম অমগুম্না ঐখোয়বু ঙাকপীবগী মহুত্তা ইন্দিয়াগী লান্মী অমসুং ঐখোয়গী লৈঙাক্লা তম্পাক্কী মীচম মীয়ামদা ঈহৌ নমথবগী নমাদা হাৎপা-তুপ্পা অমদি ওৎ-নৈদুনা লৈবসি কয়াম কুইনা খাঙদুনা লৈখিগনি। ইন্দিয়াগী মখাদা লৈবা কুকি খূৎলায় পায়বশিং অমদি নার্কো টেররিষ্টশিং অসিনা নৌরিবা কুকি নহা কয়া ময়াই কাবা চীঞ্জাক অমদি শেলগী ঈপাক্তা ফত্ত-ৱাখল খলহন্দুনা টেররিষ্টকী ঈহৌ শাগৎতুনা অতম্ননা য়েলহৌমী মীতৈশিংদা লান্দারক্তুনা লৈবাক কাং-খোং চাইহনবা, আইনগী ৱাংমদা ফোংনা চথরকপা ভাইওলেন্সশিং মশীং য়াম্লবা সেন্ট্রেল ফোর্সশিং অমদি লৈঙাক্লা থিংবা হায়বসি অরুবা নত্তে। অদুবু থিংবা ঙমদ্রিবসিগী মরম করিনো?

নাকল অমরোমদনা চীংগী খূৎলায় পায়বা লালহৌলূপশিংনা নুংশিনা লৈমিন্নরম্বা ফূরুপ শিংবু লান্না লমজিংদুনা মখোয় মখোয়গী তোঙান-তোঙানবা লমশিং মণিপুরগী লৈমাইদগী খাইদোক্লবা ঈহৌ শাগৎতুনা অপূনবগী শক্তম থুগাইনবা হোৎনরি। অসিগুম্বা অচৌবা অশোয়বশিং অসিগী কোর ইস্যু নৈনবগী মহুত্তা তোঙান তোঙানবা রিজনশিং পোলিটিক্স তৌদুনা দ্রামা শান্নদুনা লৈরে। ঐখোয়গী লুচিংবশিংনা সেন্টরগী পেকেজ অমসুং ফন্দিংদা ঙাওহন্দুনা লৈহল্লি। লানজদ্রবা য়েলহৌমী ওইরিবা মীতৈশিংদা য়াম্না থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইবা মীওইবনা তাবদা তাহৈদ্রবা, উবদা উহৈদ্রবা কয়া শা-ঙাগী লীচৎ চৎপা কুকিশিংনা চথুদুনা লাক্লিবসি ফিল্মদা ফজনবা থৌদোক থোক্লবা মতুংদা এক্সন তৌবগা চপ মান্নরে। হায়বদি ‘হুরানবা মতুং মৈরিংবা’ ওইনা থোক্লে।

ঐখোয়গী লুচিংবশিংসু চীন্দা অমদি মীদিয়া খক্তদা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপা ওইনা তৌরে। টেররিষ্ট মূথৎকনি হায়না মখৌ পোংনা লাউরি। ইন্দিয়া লৈঙাক অসিসু মণিপুরদদি টেররিষ্ট অমসুং শৌগৎপশিংবু অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎতুনা, হায়জদুনা লৈরি। ষ্টেট লৈঙাকসু সেন্টরগী এদভাইসতা ময়া য়াওদ্রবা নোংশাগা পাঞ্চক ওইরে। মতাং অসিদা মীয়ামগী অপাম্বদি ইমা লৈবাকপু নুংশিবা, অচুম্বগীদমক থৌনা ফনা কৎথোকপা ঙম্বা লুচিংবদুনি। মীয়াম পূম্নমক নঙগীদমক লেপচরক্কনি।

চথরক্লিবা খূৎশেমগী লান অসি তশেংনা লোইশিনবা অমসুং লোইশিন্দবা হায়বসি রিমোট কন্ট্রোল পায়রিবা ঐখোয়গী সেন্টর লৈঙাক্লি। অদুবু ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংনা য়েলহৌমী মীতৈশিংগী অরোইবা খোঙ্গাও ঙাইদুনা লান লোইশিনবা ঙাইরি। ফীভম অসিদা ঐখোয়গী লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা মৈশা লাংগদবা চৌক্রি লুমদুনা পার্টি পোলিটিক্স তৌবগী মহুত্তা ঐখোয় পূন্না মনুং-মপান ফম্মিন্নদুনা নীংতম্না হিংজরম্বা ইমা লৈবাকপু কল্লসি।

**অদোমগী- ৱাহেংবম বোজেন্দ্রো মীতৈ, খুরাই কোন্সম লৈকায়**

## ঐখোয় হৌজিক প্রি মর্জর ষ্টেটস তানবগী মতম ওইরে

***ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,***

থোক্লিবা ঈরাং অসি ঐখোয়গী লৈবাক্কী লৈঙাক্লোন ঐখোয়না ঙাকচদবা অসিদগী থোরকপনি। শম্না হায়রবদা কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১না থোকহনবনি। ঐখোয় মিজোরাম, নাগালেন্দ, বিহার, ওড়িষাগুম্বা ষ্টেট নত্তে, মশাগী চহী ৩০০০ হেনবগী নীংতম্বগী পুৱারী লৈজবা লৈবাক্লি অমদি বৃটিশকী মখূৎতগী নীংতম্বসু, কন্সটিট্যুশন শেম্বসু, ইলেক্সন তৌবসু ইন্দিয়াদগী হাল্লি। ঐখোয়দি খা নোংপোক এসিয়াগী মনুং চনবা লৈবাক্লি। অদুগা ইন্দিয়াদি খা এসিয়াগী মনুং চনবা লৈবাক্লি। পূম্নমক অসি য়েংলুরগা নোংমা নৎত্রগা নোংমদি নীংতমগনি হায়বসি ইন্দিয়া খঙই। মরম অসিদগী চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা চঙলকপদা ফ্রী থারিবা, মনীং তম্না চীং-মান কোকথোক্লগা থারিবা পোপি ময়াম অসিনা অচৌবা শেন্দাল ওইরগা অফবা মখলগী খূৎশু-খূৎলায় কয়া লৈশিল্লি। অতম্ননা মীতৈদা লান্দাশিল্লি। য়ূম কয়া মৈ থাই। মীওই কয়াগী পূন্সি মাঙহল্লি। মীওই লিশীং ৬০ হেনবনা রিলিফ কেম্পতা লৈরি। কুকিনা নোংমৈ, বোম পায়রিবসি পীশিনবা অমা য়াওবদগী পায়রিবনি। তন্বীবা অমা য়াওবদগী বোম, নোংমৈ কাপ্পা হৈরিবনি। কাপ্নীংবা কাপ্পা য়াই হায়বগী কাপ্লিবনি।

কুকিনা চীংদগী নোংমৈ কাপ্পদি অথিংবা পীদ্রগা খুল ঙাকপদনা অথিংবা কয়া পীবগী থৌদোক থোকখ্রে। নীংতম্না পাল্লিঙৈ মতমদা ঐখোয়গী ঙমখৈ য়াম্না চাউরম্মী। নোংপোক্তা নিংথি খোংবান তম্পাক, নোংচুপ্তা বরাক খোংবান তম্পাক, অৱাংদা থিবোমৈ কোহিমা, খাদা লুসাই হিল ফাওবা ওইরম্মী।

মরম অসিনা ঐখোয় মীনা পীজরগা, মীনা ঙাকপীরগা, মীনা কনবীরগা ঐখোয় হিংগনি হায়না লৈরবদি ঐখোয় মূৎখ্রগনি। ইশানা ইশাবু কঞ্জনবা, ঙাকচনবা প্রি মর্জর তানবা নত্তনা অতোপ্পা লম্বী লৈতে। অরোইবদা, য়েলহৌমী ঐখোয় পুনশিন্নসি, নুংশিন্নসি, লিংজেল মান্নসি, থৌনা লৈসি।

**অদোমগী - য়ূমলেম্বম জোয়োবী, মহারাবী**

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩৭কী ৱাহং**

১) “তপথদ্রবা থমোইবু থেমজিল্লদুনা
লাঙ্‌তক্লরবা পুক্লিংবু ফাথরদুনা
ঙাইরি ঐ
অঙৌবা খুনুনা পাইরকপা”
মথক্কী পীজরিবা শৈরেং মতেক অসি শৈরেংগী লাইরিক অমদা য়াওবনি। শৈরেং অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো?

২) “মায়াবিনী” হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমনা ইবা লাইরিক্লি। অইবগী মমিং করি কৌবগে?

৩) “থৈবোঙদগী হৈগ্রুনা চাউবা হেনবা” হায়বা অঙাংগী লাইরিক্তা য়াওবা ৱারী অসি কনানা ইবগে অমসুং করম্বা লাইরিক্তা য়াওবগে?

৪) “নবাব-নন্দিগী” (১৯৭১) হায়বা লাইরিক অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমনি। ট্রান্সলেটর অসি কনানো?

৫) “য়েন্নীংথা থুংলরে পাম্মুবী” হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং ইয়ু?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।